# যুম্নাম বেলৌদিগী অনৌবা চাংয়েং অমা ওইগদৌরিবা ফিল্ম "ঐগী থৱাইনি"

## ঐচ রাজেস



লেপ্পা লৈত্তবা মতমগী খোঙচৎনি। লাক্কনি, অদুগা অমুক চৎখিনি ! অশুম্মা অহোংবা নাইবা তাইবংগী ফম্বাকথক অসিদা মাগী মাগী মথৌ পাঙথোক্লুবা লোইদুনা হন্নখিবা ঙাকনি।

অশুম্মা লমদম অসিগী মীয়ামগী পুক্নিং ৱাখলবু জয় তৌদুনা পুরম্বা কলাকার কয়া অমসু লেপ্পা লৈত্তনা মানা মানা অঙম্বা চাংদা মথৌ পাঙথোক্লুরম্লগা লেপ্পা লৈত্তনা মতমগী খোঙচৎকা ইরোইনদুনা অদুম চৎখি, অমুক পুরকই অনৌবা কলাকার কয়া ! মথৌ মশক খংবী মতম কৌবী লাইরেম্বীগী খোঙচৎকা ইরোইননা ইচং থৌনা লেপ্পা লৈত্তনা মথৌ পাঙথোক্লুবা হোৎনরিবা য়াম্না নহা ওইনা কলাগী লমদা মায় পাক্লা চংশিনলক্লিবা হায়বদা লানদ্রবশিংগী মনুংদা ওইনাম বেলৌদিসু অমা ওইরি।

ইম্ফাল ৱেষ্টকী শিংজমৈগী মনুং চন্না লৈবা যুম্নাম লৈকায় দা লৈবা য়ুম্নাম কৃষ্ণদাস অমদি য়ুম্নাম ওংবী চন্দ্রকালা দেবী অনিগী মচানুপী অনীগা নুপা অমগা পুন্না অহুমগী ইতোন তোনবা বেলৌদি মশাগী য়াম্না অঙনবা মতমদগী হৌনা কলাকার অমা ওইনিংবগী অপাম্বনা মাং থাদুনা হৌরকখিবনা য়াম্নানৌনা মাগী লৈকায় অদুদা লৈবা শকনাইরবা মাইম গুরু অমা ওইরিবা য়ুম্নাম সদানন্দ গী মীৎয়েং মখাদা মাইম গী আর্টিষ্ট অমা ওইনা শরুক য়ারকখি।

লোয়না-লোয়ননা পাম্ভোইবী নাত্য মন্দিরগী রাইটর দাইরেক্টর অমা ওইনা মীয়াম্না শকখঙনরবা থিয়েটরগী শক্লাইরবা প্লে রাইটর অমদি দাইরেক্টর য়ুম্নাম রাজেন্দ্র গী মখাদা লৌশিং জ্ঞান খরা খজিক ফংলবা তুংদা মোদেল্লর অমা ওইনা এক্টর অমা ওইনা মায় পাক্লা চংশিল্লক্লিবা বেলৌদি হৌজিক ফাওবদা ম্যুজিক ভিদিও এলবম ৩০ গী মথক্তা মায় পাক্লা শক্তম লাংখিবগা লোয়ননা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম ৬ / ৭ লোমদসু সপ্পোর্টিং এক্টর ওইনা খোঙদাখ্রে।

ইং ২০১৬ দা ফিল্ম ফোরম মণিপুর না শীনদুনা পাঙথোকখিবা এলবম ফেষ্টিভেলদা বেষ্ট সপ্পোর্টিং এক্টর এৱার্ড ফংবা ঙমখ্রবা কলাকার অসিগী হৈ-শিংবা খঙলবা তুংদা দাইরেক্টর কয়ানা চাংয়েং ওইনা "ইঙেনগী ২৩", শাখ্রে।

হৌজিক হৌজিক অন্দর প্রোসেস তা লৈবা "অঙাওবগী লণ", " ফোর ইন ৱান", অমদি "ঐগী থৱাইনি", "তোলেনখোম্বা", "খোংফম", "বেরাগী বোম" নচিংবা ফিল্ম খরাদা সপ্পোর্টিং এক্টর ওইনা খুৎ থাখ্রবা মতুং দা হৌজিক হৌজিক লিদিং কেরেক্টরদা এক্ট তৌদুনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিন্নবা শেম



হায়রিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্মশিং অসিদা মরুওইবা কেরেক্টর রোলশিংদা শক্তম লাংবা ফিল্মশিং পুথোক্লবগী শেম-শাদুনা লৈরি। হায়রিবা ফিল্মশিং অসিগী মনুংদা অমা ওইরিবা এঞ্জেলস দিজিটেল



মেদিয়া সর্ভিস, উরিপোক্তা সুট্টিং পুমলোই লোইদুনা ফাইনেল প্রোসেশিং চত্থরিবা "ঐগী থৱায়নি" হায়রিবা মণিপুরী ফিচর ফিল্ম অসিসু অমা ওইরি।

মরুওইনা ইম্ফাল ইষ্ট অমদি ৱেষ্টকী মফমশিংনা সুটিংগী লোকেসন ওইনা শিজিন্নরিবা ফিল্ম অসিদা শক্তম লাংলিবশিংদিঃ বেলৌদি, কাইকু, সদানন্দ, রতন লাই, ইবোমচা (কবোকলৈ ইনাওচা), নিকি, বিন্দিয়া, ধনমঞ্জুরি, জেমস অঙোম নচিংবনি। ফিল্ম অসিগী মেক-অপ্তা শ্যামসন ওইনাম, প্রদক্সনদা মৌজাওবী, কন্ট্রোল্লরদা বিশ্বরজিৎ নি।

রেকোর্দিং ষ্টুদিওনা সোনিয়া দিজিটেল, এসিষ্টেন্ট দাইরেক্টর-রিপু থাংজম, প্রদুরসদা সুমন, ইদিটরদা কেনেদি য়াম্বেম নি। ফিল্ম অসিগী ষ্টোরিনা বিদ্যালক্ষমি, কষ্টুমদা সুরজ অমসুং অইংবা, এসিষ্টেন্ট কেমেরামেননা লেনিন মৈতৈ, সেনিমাতোগ্রাফরনা দা নাওনা ওইরি।

মেনাকা অমদি সোরি ৱাহেংবমনা কোরিওগ্রাফর ওইরিবা ফিল্ম অসিগী স্ক্রিনপ্লে অমদি দাইরেক্টর না এ ৱাই অমদি আই এম না ওইরি।

মরুওইবা সোং সেকুয়েন্স অহুম শিজিন্নদুনা অয়েংবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌবা ফেমিলি, রোমান্স অমদি এক্সন ফিল্ম অসিদা জি টিভি দা পাঙথোকখিবা দান্স ইনিদয়া দান্সতা শরুক য়ারুবী শারা ওইনাম অমদি মালেমঙাম্বীগী হৈ-শিংবনা মীয়ামগী পুক্নিং চিংশিন্নবা হোৎনগদৌরি। লোয়ননা বেলৌদিগীদমক্তদি চাংয়েং অমা ওইরিবা ফিল্ম অসিনা কদায় ফাওবা লমদম অসিগী ফিল্ম পামজবা ভাবকশিংগী পুক্নিং চিংশিনবা ঙমগদৌরি হায়বদুদি চৎলিবা চহি অসিগী জুলাইগী অরোইবা শরুক্তা উবা ফংলগনি। মতমদু ফাওবদি ঙাইমিন্নখিবা তারি।

# ষ্টেটকী থাক্তা শান্নবগী পাউদম

### হিরো সেকেন্দ দিভিজন আই লিগ

## ট্রাউগী অনীশুবা হোম মেটচতা মায়থিবা নংখ্রে



ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ ঃ

হেরো সেকেন্দ দিভিজন আই-লির্ক ২০১৮-১৯গী গ্রুপ সি গী ১১শুবা মেটচ ওইনা ঙসি খুমন লম্পাককী মেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ট্রাউ এফসিগী অনীশুবা হোম মেটচতা মিজোরামগী টিম ওইরিবা ছিঙা বেঙ এফসিগী মখুৎত্তা গোল ২-০ দা মায়থিবা নংখ্রে।

মেটচ অসিদা চনখিবা গোলশিং অদু থসিয়ামা অমদি লাললিয়ানসঙ্গানা চনখি।

ট্রাউগী কোচ লৈমাপোকপম নন্দাকুমারনা নিজিরিয়ান ষ্ট্রক্কর অনি জোসেপ অমদি প্রিন্সৱিলনা ফোরৱদতা লুচিংদুনা শান্নহনখি।

মেটচ অসিগী অহানবা হাল্ফতা এৱে টিম ছিঙা বেঙ এফসিনা অকনবা মওংদা য়ুম্বু ট্রাউগী মায়কৈদা গোল একাউন্ট হাংনবগীদমক এটেক্ট চত্থখি।

অঙনবা মিনট ৬ চৎপদা ছিঙা বেঙনা চত্থরকপা এটেক্ট অমদা জর্সি নম্বর ২২ ভানলালবিয়া চাঙতেনা য়েৎ থংবা ৱিংগী কাচিনদগী খায়রকপা ক্রোশিং অমদা টিম অসিগী জর্সি নম্বর ১০ থাসিয়ামনা ক্রোশিং অদু শমজিন্দুনা অহাংবা নেট মনুংদা চঙহন্দুনা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি।

গোল শোত্থরিবা ট্রাউগী ফোৱার্দ প্রিন্স ৱিল অমদি ঙাংবম নাওচানা হাল্ফ মমাঙদা গোল হন্দোকপা য়াবা তঞ্জা কয়া ফংলবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

ছিঙা বেঙ এফসিনা ট্রাউগী দিফেন্স এরিয়াগী অহোবা তঞ্জা অমদা এৱে টিমগী য়ু-২২গী শান্নরোই ওইরিবা জর্সি নম্বর ৯ লাললিয়ানসঙ্গানা ট্রাউগী দিফেন্স মার্কিংদগী নানথোরক্তুনা এৱে টিমগী অনীশুবা গোল অদু মিনট ৩৯ চৎপদা চন্দুনা মায় পাকপগী য়ুম্ফম অদু থোন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোয়রা ফাওবা ২-০ দা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা হাল্ফতা ট্রাউনা অনৌবা লাংলোন শিজিনরক্তুনা গোল হন্দোক্লুবা য়ুম্বুগী ফোৱার্দ জোসেপ,প্রিন্স ৱিল অমদি ঙাংবম নাওচানা কম্যুনিকেসন লৈনা শান্দুনা এৱে টিমগী কেপ্টেন অমসুং গোল কিপর ওইরিবা জোথানমাৱিয়াবু কয়ারক হন্না চায়েং তৌখ্রবসু গোলদা ওন্থোকপা ঙমদবদগী য়ুম্বু ট্রাউ ছিঙা বেঙ এফসিগী মখুৎত্তা অহানবা হাল্ফতা চনখিবা গোল ২ দুনা মায়থিবা পিরমলগা পোইন্ট অহুম মুনখি।

মায়থিরবা ট্রাউ গ্রুপ অসিদা মেটচ ৪ শান্নবদা পোইন্ট ৬ ফংলগা ৪ শুবা পোজিন্সদা লৈরি। অদুগা ছিঙা বেঙ এফসিনা মেটচ ৪ দা পোইন্ট ১০ ফংলগা গ্রুপ অসিগী মকোক্তা লৈরি।

ট্রাউগী মথং মেটচ থা অসিগী ২৮ তা খুমন লম্পাককী মেন ষ্টেদিয়মদা কোলকতাগী ক্লব মোহমমিদান স্পোর্টিং ক্লবকা শান্নগনি।

### অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯

## রেস অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবাল ফাইনেল শান্নরগনি



ইম্ফাল, ফেবুৱারি ২৩ঃ

দি লংথবাল স্পোর্টিং ক্লব লংথবাল মন্ত্রিখোং মখা লৈকায়না শীন্দুনা লংথবাল পব্লিক গ্রাউন্দা টিম ১৯ না গ্রুপ মরি থোক্লা খাইদোক্তুনা মমাঙ থাগী তাং ২০ দগী চত্থরক্লিবা অনীশুবা হৈবোক টি-২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ফাইনেলদা রেস নগামপাল অমদি ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগা শান্নরগনি।

টুর্নামেন্ট অসিগী অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা পি সি সি ময়াই কোইবিবু ৱিকেট ৪ দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চঙখি।

মেটচ অসিদা পি সি সিনা তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হন্না পায়বদা অপীবা ওভর ২০ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১০৯ লৌখি।

মসিগী পাউখুমদা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালনা ওভর ১৯.৩ দা ৱিকেট ৬ তুরগা রন ১১১ লৌদুনা মেটচ অসি ৱিকেট ৪ দা মায় পাকখি।

অহানবা বেট্টিং পায়খিবা পি সি সি ময়াই কোইবিগী রঞ্জননা বোল ১৮ দা রন ২২ অদুগা সন্তোসনা বোল ২৫ তা রন ২৩ লৌখি।

ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী বোল্লিংদা সুসিল অমদি প্রিয়োকুমারনা ৱিকেট ২ / ২ লৌখি।

অনীশুবা বেট্টিং পায়খিবা প্রাকাসমনিনা বোল ৩৬ তা রন ২৯,বিক্রমজিৎনা বোল ২৮ তা রন ২২ অমদি অনন্দনা রন ১১ লৌখি।

পি সি সিগী বোল্লিংদা প্রিতমনা ৱিকেট ২ অমদি সন্তোসনা ৱিকেট ১ লৌখি।

মেটচ অসিজগী মেন ওফ দি মেটচনা ৱাই দব্লিউ সি লংথবালগী ৱিকেট ২ লৌখিবা প্রিয়োকুমারনা তাখি।

### মাপলশুবা চালৌ কপ লম্লাই কেন্দ্র ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ

চালৌ য়ুঠ য়ুনিয়ন ক্লবনা শীন্দুনা চালৌ কংলৌ লম্পাক্তা থা অসিগী ৪দগী টিম ২৬ না গ্রুপ ৮ থোক্লা খাইদোক্তুনা ৯শুবা লম্লাই কেন্দ্র ভিলেজ ৱাইজ এন্দ ইনভাইটিস মেন ওপন সভেন এ-সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা এম এস এফ সি হৈঙাং অমদি সেক্তা এফসি (বি) মায় পাক্তুনা সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

টুর্নামেন্ট অসিগী ৩৯ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অহানবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা এম এস এফ সি হৈঙাংনা ৱায়ো কাবোংবুটপু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এম এস এফ সি হৈঙাংগী গোলশিং অদু অহানবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ১৩ সিতলজিৎনা মিনট ১৪ চৎপদা গোল একাউন্ট হাংদুনা ১-০ দা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গোল অদু জর্সি নম্বর ১০ তোপ্পরনা মিনট ২০ দা চন্দুনা ২-০ দা মাঙজিল থাখি। অদুগা অহুমসুবা গোল অদু সিতলজিৎনা মহাক্কী অনীশুবা গোল ওইনা মিনট ২৮ তা চনখি।

মায়থিরবা ৱায়োগী গোল অদুনা মিনট ৩১ চৎপদা এম তাইবংঙানবনা চনখি।

৪০ শুবা মেটচ ওইনা ঙসি শান্নখিবা অনীশুবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা সেক্তা এফসি (বি)না সেক্তা এফসি (এ)বু গোল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখি।

সেক্তা এফসি (বি)গী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ১০ এস নাওচনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ৮ অমদি ২৫ তা গোল ২ অদুগা অতোপ্পা গোল অমাদুনা অনীশুবা হাল্ফতা নাওচনা মিনট ৪৩ চৎপদা চন্দুনা পুন্না গোল ৩ চনখি। মায়থিরবা সেক্তা এফসি(এ)গী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অহানবা হাল্ফকী মিনট ১৪ দা এস থোইনা চনখি।

## মণিপুর প্লেয়র দে ফুটবোল ২০১৯

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ

মণিপুর ষ্টুদেন্ট ফেদরেসননা শিন্দুনা মণিপুর প্লেয়র দে ২০১৯গা মরি লৈন্না দিএম কোলেজ আর্ট প্লে গ্রাউন্দা ঙরাংদগী হৌদুনা চত্থরকলিবা ফার্ষ্ট মণিপুর প্লেয়র্র দে ইনভাইটেসন ফুটবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯(ইন্টর ষ্টুদেন্ট ওর্গানাইজেন্স)গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম সুনা দেসামবু গোল ২-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অনীশুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবাদনা কে এস এনা এম এস এফপু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অহুমসুবা গ্রাউন্দা শান্নখিবা ঙসিগী অরোইবা মেটচতা এমসুনা এ আই এম এসপু গোল ২-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

## নেসনেল হেন্দবোল চেম্পিয়ন্সিপ

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ

হেন্দবোল ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মীৎয়েং মখাদা মণিপুর হেন্দবোল এসোসিয়েসনা শীন্দুনা খুমন লম্পাক স্পোর্টস কমপ্লেক্স ইম্ফালগী ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা থা অসিগী ২১তগী হৌদুনা ২৫ ফাওবা চত্থগদবা ৪১শুবা নেসনেল জুনিয়র বোইজ হেন্দবোল চেম্পিয়ন্সিপ ২০১৯ গী ঙসি শান্নখিবা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল মেটচশিংদা দিল্লিনা ওদিশাবু ২৩-১৩,চান্দিগরনা মহারাষ্ট্রবু ২৩-২১,নেসনেল হেন্দ বোল একাদেমিনা তেলংগনাবু ২৬-১৮,য়ুপিনা রাজাষ্টনবু ২৪-১৯,এমপিনা ছট্টিগরবু ২৭-২৬,সাইনা কেরলাবু ২৬-১৯,মণিপুরনা জেএনকেবু ২৩-২২ অমদি হরিয়াননা পঞ্জাবপু ২৯-২৪ দা মায়থিবা পীখ্রে।

## মেন্স ওপর্ন অমদি কম্বাইন দবলসকী ফাইনেল ঙসি শান্নরগনি




ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ

মণিপুর টেন্নিস এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ইম্ফাল দিষ্ট্রিক্ট টেন্নিস এসোসিয়েসননা শীন্দুনা লম্ফেলদা লৈবা এসোসিয়েসন অসিগী ক্লে কোর্টতা থা অসিগী ১৭তগী চত্থরলিবা অনীশুবা ষ্টেট লেভেল ক্লে কোর্ট টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৯ গী কম্বাইন দবলস চহি ৯০ মথক্কী ফাইনেলদা দিলিপ অমদি মোমোগী জুরাগা কাঙজম্বা অমদি রাকেসকী জুরাগা শান্নরগনি।

অদুগা টুর্নামেন্ট অসিগী মের্ন্স ওপনগী ফাইনেলদা টি ঐচ রিভাসকর অমদি কেঐচ বোনাগা শান্নরগনি।

ঙসি কম্বাইন দবলস চহি ৯০গী অরোইবা ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা প্রাকাস অমদি জায়েন্তাগী জুরানা প্রেমান্দা অমদি সনাতোম্বাগী জুরাবু মায়থিবা পীদুনা সেমি ফাইনেল চংখি।

ঙসি কম্বাইন দবলস চহি ৯০ মথক্কী অহানবা সেমি ফাইনেল মেটচতা দিলিপ অমদি মোমোগী জুরানা পাম্মে অমদি জিটেনগী জুরাবু ৬-২,৬-৩দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখি।

অনীশুবা সেমি ফাইনেল মেটচতনা কাঙজম্বা অমদি রাকেসকী জুরানা প্রাকাস অমদি জয়েন্তাগী জুরাবু ৪-৬,৬-৪,১০-৪দা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল চংখি।

### কেএসঐচ নোনিগোপাল ফুটবোল

জিরিবাম, ফেব্রুৱারি ২৩ঃ

ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন (এ জে এস এ), জিরিবাম হায়র সেকেন্দরি স্কুলগী প্লে গ্রাউন্দা টিম ১২না শরুক য়াদুনা চত্থরিবা ৭শুবা নোনিগোপাল মেমোরিয়েল ইনভাইটেসন ফুটবোল টুর্নমেন্ট ২০১৮-১৯গী ঙসি শান্নখিবামেটচশিংদা মোঙ্গোলোইদ এফসিনা এল এফ সি জিরিবামবু গোল ৪-১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

অতোপ্পা মেটচ অমদনা ৱাই দি ও অমদি ট্রুপু গোল ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে।

### কে য়াইমা নিংশিং ফুটবোল টুর্নামেন্ট

ইম্ফাল, ফেব্রুৱারি২৩ঃ

অকাম্পাৎ ভেটরান ফুটবোল এসোসিয়েসন, অকাম্পাৎনা শীন্দুনা ১১ ষ্টার স্পোর্টিং য়ুনিয়ন ফুটবোল গ্রাউন্দ অকাম্পাৎতা টিম ১৩না গ্রুপ ৪ থোক্লা খাইদোক্তুনা থা অসিগী ২০দগী চত্থরক্লিবা ৭ শুবা কোইজম য়াইমা নিংশিং ভেটরান ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৯গী ঙসি শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এ ভি এফ এ অকাম্পাৎনা য়ু কে এফ এ উরিপোকপু গোল ১-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।

মায় পাক্লবা এ ভি এফ এ অকাম্পাৎকী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু অনীশুবা হাল্ফতা জর্সি নম্বর ২১ কে প্রেমজিৎনা মিনট ৫২দা চনখি।

অনীশুবা মেটচতনা এফ ভি দব্লিউ এ মপাল কাংজৈবুং অমদি এফ সি তচাপা কোইরেংঙ্গৈ গোল চনদনা দ্রো চৎখ্রে।







Owned and Published by Longjam Shyamananda Singh at Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur and Printed at Advance Printers, Sega Road, Konjeng Hazari Leikai, Imphal West, Imphal-795001, Manipur. Editor- Ningombam Hemantakumar, Joint Editor: N. Krishnamohon Singh RNI Registration No. 31350/ 77; Tel # 2459064, e-mail : sanaleibaknews@yahoo.com, sanaleibakdaily2008@gmail.com